## নৱাজ সরিফ জেলদা অমুক চঙখ্রে

লাহোর, মে ০৭ (এজেন্সি):
পাকিস্তানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফ করপসনগী কেস অমদা মঙোন্দা পীবা চয়োল ৬ কী বেলগী মতম লোইশিনখিবদগী লৈবাক-পোকপা নুমিৎকী অথেংবদা জেলদা অমুক চঙখ্রে হায়রি।
পি এম এল-এনগী সুপ্রিনো নৱাজ সরিফ সহিদ খাকন অবাসি, খ্বাজা অসিফ, পর্ভাইজ মালিক, জভেদ হাসমি অমসুং অতৈ মশক নাইবা পার্টিগী লুচিংবশিং অমসুং ৱার্কররশিংনা য়োল্লগা রেলি অমগী ফিভমদা মহাক্না লৈগদৌরিবা জেলদা থুংখি হায়রি।
মহাক্কী মরী মতা হমজা সেবাজনা মহাকপু জেল ফাওবা গাড়িদা পুখি অমসুং হন্দক্তা পী এম এল-এনগী ভাইস প্রসিদেন্ট হাপখ্রবা পার্টি অসিগী লুচিংবা ওইরিবা মহাক্কী মচানুপী মরিয়াম নৱাজসু মহাক্কা লোয়নখি। নৱাজ সরিফনা জেল অদুদা অহিং নোংয়াইগী মমাঙদা থুংনিংবগী অপাম্বা লৈরবসু মশিং য়াম্লবা সপোর্টরশিংনা মহাক্কী মোটোর কেন্দতা ট্রাফিক জাম থোকহনবদগী থেংনা য়ৌখি হায়রি।

## ‘ইরান্না ন্যুক্লিয়র দিলগী ৱাফম খরা ঙাক্লরোই’



লন্দন/তেহরান, মে ০৮ (এজেন্সি):
কুমজা ২০১৫ দা মালেমগী পৱারশিংগা খুৎয়েক পীনখিবা ন্যুক্লিয়র দিলদা য়াওরিবা ৱাফম খরা ঙাক্লরোই হায়না ইরান্না লাউথোকখ্রে।
প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা এগ্রীমেন্ট অদুদগী হন্দোকখিবা চহী অমা কান্নরগা ইরান্না ৱারেপ অসি লৌরকখিবনি। ইরানিয়ন প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিনা মহাক্কী লৈবাক্না কুমজা ২০১৫ গী দিলদা পল্লিবা ৱাফমশিংগী মতুং ইন্না এনরিচ তৌরবা য়ুরেনিয়ম ষ্টোকশিং মপান্দা থাদোকপা লেপ্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা ইরোইননা করিগুম্বা দিল অদুদা হৌজিক লৈহৌরিবা সিগনেটরিশিংনা ইরানগী থাও অমসুং বেঙ্কিং সেক্তরশিংবু অথিংবা কয়াদগী ঙাকথোক্কনি হায়না থাজবা পীখিবদু থবক্তা ওন্থোরক্তবা তারবদি তেহরান্না নুমিৎ ৬০ নিগী মনুংদা হেন্না ৱাংবা লেভেলদা য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্টকী থবক অমুক হন্না চথবা হৌরগনি হায়নসু চেকশিন ৱা ফোঙদোকখ্রে।
প্রসিদেন্ট রৌহানিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা লাউথোকখিবা খোঙথাংশিং অদু দিল অদুদা লৈহৌরিবা লৈবাকশিং - ফ্রান্স, বৃটেন, জর্মনি, চাইনা অমসুং রসিয়াগী এম্বেসেদরশিংদা হৌনবী মতুং ইন্না খঙহনখ্রে। ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর মোহম্মদ জভদ ঝারিফনা ঈ য়ু ফোরেন এফ্যেরস চীফ ফেদ্রিকা মোঘেরিনিদা ইখিবা তোঙানবা চেরোল অমদা ইরানগী খোঙথাংশিং অদুগী টেক্লিকেল অমসুং লিগেলগী অকুপ্পশিং খঙহনখে হায়রি।
দিল অদুগী মখাদা ইরান্না এনরিচ তৌরবা অহেনবা য়ুরেনিয়ম লৈবাক অদুদা থমজিনবগী মহুত্তা মপান্দা থাদোক্কদবনি। থৌরাং অসি লৈবাক অসিবু ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং শাহন্দনা ন্যুক্লিয়র পৱার পুথোকপগী থবক য়াহন্নবগীদমক্তনি। রৌহানিনা হায়খি মদুদি, দিল অদুদা মখা তানা লৈহৌরিবা পার্টনরশিংগা ইরান্না অনৌবা টার্মশিংগী মতাংদা নিগোসিয়েসন তৌনবা পাম্মী। তৌইগুম্বসুং মহাক্না হৌজিক দিল অদুগী ফিভম লুরি হায়নসু চেকশিন ৱা ফোঙদোকখি।

## পাকিস্তানগী লাহোরদা লৈবা সুফি লাইশঙ মনাক্তা বোম পোকখায়বদা মীওই ১০ শিরে



লাহোর, মে ০৮ (এজেন্সি):
মিলিটেন্টশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পাকিস্তানগী লাহোর সিটিদা লৈবা মরু ওইবা সুফি লাইশঙ অমগী মপান্দা লৈবা পুলিস পেট্রোল পার্টি অমদা টাগেট তৌদুনা চথখিবা বোমগী এটেক্ট অমদা য়ামদ্রবা মীওই ১০ শিরে অমসুং অতৈ ২০ হেনবনা অশোক-অপন নংলে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।
মুস্লিমশিংগী শেংলবা থা রামজানগী নিনি চনবা নুমিৎকী শাথিরবা বোমগী এটেক্ট অদু চহী খুদিংগী মীওই লিশিং চা কয়ানা লাই খুরুম্বা লাক্লরিবা সাউথ এসিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা মুস্লিম লাইশঙশিংগী মরক্তগী অমা ওইরিবা দাতা দরবার মনাক্তা লৈবা পুলিস চেক পোইন্ট অমদা পাঙথোকখিবনি।
এটেক্ট অসিগী মরু ওইবা টার্গেটতি পুলিসনি। ব্লাষ্ট অদুগী মওং মতৌশিং লেপথোক্লবগীদমক পুলিসনা ফোরেন্সিক ইনভিদেন্সশিং খোমগৎলি হায়না লাহোরগী পুলিস ওপেরসন্সকী দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল অসফক খান্না ফোঙদোকখি।
পুলিস স্পোক্সমেন অমনা হায়খি মদুদি, এটেক্ট অদুদা শিখিবশিংগী মশিং ফিভম থিনা শোকখিবা পুলিস ওফিসর অমসু শিখিবদগী ১০ য়ৌখ্রে। তরাদুগী মনুংদা ৮ দি পুলিসনি। য়ামদ্রবদা অতৈ মীওই ২৩ সু থৌদোক অদুদা অশোক-অপন নংখি। লাহোর সিটিগী রেস্ক্যু সার্ভিসেসকী স্পোক্সমেন মুহম্মদ ফরুক্না য়ামদ্রবদা অশোকপা তরেৎকী ফিভম লুনা লৈ হায়খি। থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা পুলিসনা লাইশঙ অদু তাবা মরু ওইবা লম্বীশিংদা চেক পোইন্টশিং থমখ্রে অমসুং হোস্পিটালশিংসু মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈহনখ্রে হায়রি। এটেক্ট অদু পাকিস্তানি টালিবান গ্রুপদগী চোইথোকখিবা হিজবুল অহরর কৌবা গ্রুপ অমনা মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখি।

## ‘পাকিস্তানি খৃষ্টান নুপী এসিয়া বিবি পাকিস্তান থাদোকখ্রে’



ইস্লামাবাদ, মে ০৮ (এজেন্সি):
মুস্লিম লাইনিং লাইশোলবু থওই উৎশিত্তনা অমদি করেম্মনা ঙাঙখি হায়না লান্না মরাল শীজিন্দুনা শিবগী চৈরাক ফংবদগী চহী ৮ দেথ রোদা লৈরকখিবী পাকিস্তানি খৃষ্টান নুপী এসিয়া বিবি পাকিস্তানগী সুপ্রিম কোর্টনা মরাল লৈতে হায়না লাউথোকখিবা থা ৬ হেনবগী মতুংদা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎখ্রে হায়না মহাক্কী উকিল অমসুং মিদিয়ানা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
লৈরিবা চেনেল খুদিংমক্তা হংবা য়াবা হংলে অমসুং মখোয়না মহাক পাকিস্তানদগী কনাদা পাংখ্রে হায়রক্লে হায়না এসিয়া বিবিগী উকিল সাইফ উই মালুক্না রোইটর্সতা ফোঙদোকখি।
পাকিস্তানগী টিভি চেনেলশিং জিও অমসুং এ আর ৱাইনসু মশক মমিং তাকথোকখিদবা সোর্সশিং পল্লদুনা এসিয়া বিবি লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎখ্রে হায়খি।
হীরম অসিগী মতাংদা কমেন্ট পীবিনবা পাকিস্তানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিদা হায়জখিবদা পাউখুম অমত্তা পীরকখিদে হায়রি।
সুপ্রিম কোর্টনা হৌখিবা ওক্তোবরদা এসিয়া বিবিবু মরাল লৈতে হায়না লাউথোকখিবদা হার্দ লাইন ইস্লামিষ্টশিংনা লৈবাক অদুদা ইরাং হৌখিবনি।
মখোয়না সুপ্রিম কোর্টকী ৱারেপ অদুবু য়াখিদবগা লোয়নন্না প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী গভর্নমেন্টতা মহাকপু লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎপা য়াহল্লোইদবনি হায়না ৱার্নিং তৌখি। মখোয়না অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং অমগী মখাদা তাথোক্তবা মফম অমদা থল্লিবা এসিয়া বিবিবু হাৎনবসু দিমান্দ তৌখি।
হৌখিবা চহীগী নবেম্বরদা কনাদাগী প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ক্রুদোনা মহাক্কী লৈবাক্না খৃষ্টান নুপী এসিয়া বিবিবু মতেং পাংনবগীদমক পাকিস্তানগা ৱারী শান্নরি হায়খিবনি।
ফার্মদা শিন্নী অমা ওইনা থবক তৌখিবা অমসুং মচা মরিগী মমা অমা ওইরিবা এসিয়া বিবি ফিল্দদা থবক তৌমিন্নরিবশিংনা ইস্লাম লাইনিং লাইশোলগী মরমদা মহাক্না করেম কথাইনবা অমসুং ফজদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি হায়না তন্নবদগী কুমজা ২০১০ দা কনভিক্ট তৌখিবনি।

## চাইনাগা লল্লোন ইতিক্কী উংখৎনরিঙৈদা য়ু এস হাউসনা প্রো-টাইৱান বিলশিং পাস তৌখ্রে



ৱাশিংটন, মে ০৮ (এজেন্সি):
য়ু এস কোংগ্রেস মেম্বরশিংনা বৈজিংগা লৈনবা মরীগী মতাংদা অকনবা ফিরেপ খরা লৌখৎনবা হোৎনরকখিবগা লোয়নন্না য়ু এস হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা চাইনাগী মিলিটরি অমসুং দিপ্লোমেটিক প্রেসর মায়োক্নদুনা লৈরিবা টাইৱান শৌগৎপা লেজিলেসন মোৎ অমত্তা ওইনা য়ান্নদুনা পাস তৌখ্রে।
অমরোমদা, খোঙথাং অদুদা চাইনানা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নন্না বিল অদু থিংগদবনি হায়খ্রে। ৱাশিংটন অমসুং বৈজিংনা থা কয়া চুপ্পা লল্লোন ইতিক্কী ৱারী মখা চথদুনা লৈরিঙৈদা হাউসনা লেজিলেসন অদু পাস তৌখিবনি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা চাইনানা লৈবাক অসিগী ভাইস প্রেমিয়র লিয়ু হেনা লুচিংবা টিম অমা চয়োল অসিদা ৱাশিংটনদা চৎতুনা য়ু এসকা লল্লোন ইতিক্কী মরমদা অরোইবা দিল অমা পুরক্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদবা মীফমদা শরুক য়ারগনি হায়না লাউথোকখিবা মতুংদা য়ু এস হাউসনা বৈজিংগী মায়োক্তা টাইৱান ইথৎপু শৌগৎপা খোঙথাং অদু লৌখৎখিবনি। ৱাশিংটনদা পাঙথোক্কদৌরি মীফম অদুনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা চাইনাগী দোলর বিলিয়ন কয়াগী পোৎ-চৈশিংদা তারিফ হেনগৎনবা ৱারেপ অমা লৌখিবদু হন্দোকহনবা য়াগদবা ৱাফমশিং দিল অদুদা য়াওহনবা য়াগনি হায়বগী থাজবদা য়ুমফম ওইরগা চাইনিজ টিম অদু য়ু এস এনমিনিষ্ট্রেসনগী মরী লৈনবা ওফিসলশিংগা ৱারী শান্নবগীদমক্তা ৱাশিংটনদা চৎকদৌরিবনি।
চপ চানা ইনগনি হায়বদি লৈতবা বিল অদু হাউসনা ভোট ৪১৪-০ দা পাস তৌখিবা অদুনা য়ু এসনা টাইৱানবু মখা তানা মপুং ফানা শৌগৎলি হায়বা উৎলি হায়রি। টাইৱানবু শৌগৎপগা লোয়নন্না ইথৎ অসিদা ঙাকশেলগী চাদিং হেনগৎনবা তকশিল্লিবা টাইৱান এস্যুরেন্স এক্ট ২০১৯সু হাউস অদুনা মোৎ অমত্তা ওইনা পাস তৌখি হায়রি।

## ট্রিপোলিগী লান লেপহন্নবা ইটালিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা লিবিয়াগী মিলিটরি ষ্ট্রোংমেন উনরগনি

প্রাটিকা দি মারে (ইটালি), মে ০৮ (এজেন্সি):
লিবিয়াগী কেপিটেল ট্রিপোলি পায়শিন্নবগী অকনবা লান লেপহনবা য়ানবগী পান্দমদা লান শোক্ল মনবদগী চোকথরবা লিবিয়াগী ইষ্টর্ন মিলিটরি ষ্ট্রোংমেন খালিফা হাফটরগা য়াম্না থুনা উনদুনা ৱারী শান্নরগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়না ইটালিগী প্রাইম মিনিষ্টর গুইসেপে কোন্টেনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
ঙসি ঐহাক্না লিবিয়াগী য়ুনাইটেদ নেসন্সনা শৌগৎপা প্রেমিয়র সেরাজগা ৱারী শান্নখ্রে। হৌজিক ঐহাক্না অথুবা মতমগী মনুংদা জেনরেল হাফটরগা হকথেংননা ৱারী শান্নবা য়ারগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়না ইটালিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর কোন্টেনা প্রাক্টিকা দি মারে মিলিটরি এয়রপোর্টতা ফোঙদোকখি।



ট্রিপোলিদা থা অমরোম চুপ্পা শোক্লরকখিবা লান অদু ট্রুস অমা পুরক্তুনা লোইশিনহন্নবগী মতাংদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কেপিটেল রোমদা সেরাজগা ৱারী শান্নরবা মতুংদা কোন্টেনা পাউমীশিংদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।
ট্রিপোলি পায়নবা হোৎনবগী লান অদুদা হাফটরগী লিবিয়ন নেসনল আর্মিনা সেরাজগী মালেম্না শকখঙবা গভর্নমেন্ট শৌগৎলিবা ফোর্সশিংগা লম্বা তৌনরিবনি। লান অদু ইষ্টর্ন কম্মান্দর হাফটরনা হৌখিবা এপ্রিল ৫ দা মিলিটরি এটেক্ট অমা চথদুনা হৌখিবনি। কোন্টেনা হৌজিক ট্রিপোলিদা শোক্লরিবা লান অদু মাই পাকপা নৎত্রগা মাইথিবগী মতাংদা লেপ্পা য়াদবা ফিভম অমদা লৈ অমসুং মতম কুইশিল্লক্লবদি হেন্না লুশিল্লকপা য়াই হায়খি। য়ু এননা য়ামদ্রবা মীওই ৪৩২ পুন্সি লোমখ্রে হায়খ্রবা লান অদু সীজফয়র অমা পুরক্তুনা লেপহন্নবা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা পুথোকখিবা রিজোল্যুসন অমা রসিয়া অমসুং য়ু এসনা অথিংবা পীখিবনি।

## ইস্লামিক ষ্টেট টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনদগী চেন্থোক্লরক্লিবা ফোরেন ফাইটরশিংনা অকিবা পীগদৌরি

য়ুনাইটেদ নেসন্স, মে ০৮ (এজেন্সি):
ইরাক অমসুং সিরিয়াদা মাইথিবা নংলবা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন্দগী চেন্থোক্ল রকপা ফোরেন ফাইটরশিংনা মালেম অসিদা অকিবা চাওনা পীগদৌরে হায়না য়ু এন সেক্রেটরি-জেনরেল এন্টোনিও গুতরেজনা চেকশিন ৱা হায়খ্রে অমসুং মখোয়বু থিংবা হায়বসি মালেমনা পায়খৎকদবা খ্বাইদগী মরু ওইবা থবকশিংগী মনুংদা অমা ওইগদবনি হায়না লাউথোকখ্রে।
য়ু এনগী কাউন্টর টেররিষ্ট ট্রাভেল প্রোগ্রাম ( সী টি টি পি) হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাঙখিবা সেক্রেটরি জেনরেল গুতরেজনা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অদুদগী চেন্থোক্লরক্লিবা ফোরেন ফাইটরশিং অমদি মখোয়না ইথিল পীরিবা মীওইশিংনা মালেম অসিদা অচৌবা ট্রান্সনেসনলগী অকিবা অমা পোকহনগদৌরি।



মহাক্না মখা তানা চেকশিন ৱা ফোঙদোক্লদুনা হায়খিবদা, ফোরেন ফাইটর কয়া অমদি নীংথিনা ট্রেন তৌরবা ঙাক্তনি। মখোয়না মালেমগী মফম কয়াদা তুংদা টেররিষ্ট এটেক্ট কয়া চথরকপা য়াই। অতৈ ফোরেন ফাইটর কয়ানা লৈবাক কয়াগী নহারোলশিংবু লান্না থাজহন্দুনা কা হেনবা ৱাখল্লোন চেনহল্লকপা অমদি মখোয়গী পান্দম ফংনবা অনৌবা মীওই কয়া রিক্রুট তৌরকপা য়াই।
চহী অনীগী মমাংদা য়ু এননা পীখিবা এষ্টিমেট অমগী মতুং ইন্না লৈবাক ১১০ হেনবগী ফোরেন টেররিষ্ট ৪০,০০০ হেন্না টেররিষ্ট গ্রুপশিংদা য়াওনবগীদমক সিরিয়া অমসুং ইরাক্তা চৎলম্বা য়াই। ইস্লামিক ষ্টেটনা খুদম চল্লম্বা লম কয়া সিরিয়া অমসুং ইরাক্তা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিং অমসুং মীচংশিংগী মখুত্তা তাখিবদগী ফোরেন ফাইটর কয়া অমা ময়ুম ময়ুমদা হন্নরক্তুনা মফম কয়াদা খুদোংথিবা থৌদোক কয়া থোকহন্নবা শীন-লাংদুনা লৈরম্বা য়াই হায়রি।

## শ্রিলঙ্কাগী এক্সট্রিমিষ্টশিংদা ফন্দিং তৌবা লেপ্নবা আপিল তৌখ্রে



কলম্বো, মে ০৮ (এজেন্সি):
শ্রিলঙ্কাগী হান্নগী স্পোর্টস মিনিষ্টর দয়াশিরি জয়া সেকারানা সাউদি অরাবিয়া অমসুং কটরদা লৈবাকশিং অসিদা লৈরিবা এক্সট্রিমিষ্ট গ্রুপশিংবু ইষ্টর সন্দেগী বোম্মিংশিং পাঙথোকখিবা নেসনল থোহিদ জমাথ (এন টি জে)গুম্বা শ্রিলঙ্কাদা লৈবা মুস্লিম ফন্দামেন্টলিষ্টশিংবু ফাইনান্স তৌহন্দনবা তকশিনখ্রে।
শ্রিলঙ্কা ফ্রীদম পার্টি (এস ওফ পি)গী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিবা জয়া সেকারানা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, সাউদি অরাবিয়া অমসুং কটরদা লৈরিবা লাইনিং-লাইশোলগা মরী লৈনবা এক্সট্রিমিষ্টশিং অমসুং ইস্লামিক ষ্টেট টেররিষ্টশিংনা শ্রিলঙ্কাদা লৈরিবা মুস্লিম ফন্দামেন্টলিষ্টশিংবু চহী কয়া ফন্দং তৌরকখি হায়বসি প্রুভ তৌবা য়াবা মতিক চাবা ইনভিদেন্স লৈ।
আর্মদ ফোর্সেস, স্পেসল টাক্স ফোর্স (এস টি এফ) অমসুং পুলিসনা মুস্লিম এক্সট্রিমিষ্টশিংগী নর্ভ সেন্টরদা চাওনা চৈথেং পীবা ঙমখ্রে হায়না মহাক্না দেলি মিররনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।
মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা লাইনিং-লাইশোলগী ওইবা ফন্দামেন্টলিষ্টশিংবু মপুং ফানা মাঙহন্দ্রিফাওবা ঐখোয়না কোমথোক্তুনা লৈবা য়াদে। মতম পুম্বদা টেররিজমগী থবক থৌওংশিং থেংননবা মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈগদবনি। এপ্রিল ২১গী বোম্মিংশিং অদুদা মীওই ২৫০ হেনবগী পুন্সি লোমখিবনি।

DELTA Tutorials
Kwakeithel, Imphal
The Largest Trusted Coaching Centre for Sc. & Arts in Manipur
COHSEM & CBSE
Why Delta ?
→ Weekly, Monthly & Mega Test Series
→ Strictly Monitored & Smart Class Room
→ Provide Study Materials & Question analysis
Limited Seats
Air Condition Rooms
Admission Open
for Foundation Course
Class XI (Science)
Class Starting: 25th April, 2019
Hostel / Van Service Available
HL-B/5315/3/4-2/6

SARASWATI COACHING INSTITUTE
Chingmeirong Khongnang Karak, Imphal
ADMISSION OPEN
CLASS XII Sc. FOUNDATION COURSE (2nd Batch) -2019
Starting of Class : 20th May, 2019
CLASS XI Sc. FOUNDATION COURSE - 2019
MEDICAL REGULAR COURSE for NEET (UG) - 2019
Starting of Class : 1st July, 2019
Special feature
1. Supply of study material from Delhi.
2. Weekly test strictly in NEET pattern.
Managing Director
We nourish your future
HL-B/5372/5/5-2/8

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
ADMISSION OPEN
REGULAR COURSE FOR
NEET (Medical Ent.) & JEE-MAINS (Engineering) 2019-20
Special Attractions
1. Free studentship for Meritorious Students
2. Special fee concession for COMETIANS & COMET SCHOOL students.
3. Study materials will be provided.
4. Regular test series
For details plz. contact : COMET office New Block, Keishamthong Top Leirak Maning, Airport Road
HL-B/5377/8,9,11,13,15,17

PSD-SOCIO ECONOMIC LIVELIHOOD FINANCE (PSD-SELF)
Singjamei Mathak Chongtham Leikai, Imphal
RECRUITMENT
No. 01/PSD-SELF/19 : The Management of the PSD-Socio Economic Livelihood Finance (PSD-SELF) invites well qualified & experienced candidates for the recruitment of the following post.

| Name of post | Vacancy | Age | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| Field Officer | 2 | Upto 30 yrs | Graduate with computer knowledge | 11,550/- per month |
| Internal Auditor | 4 | Upto 35 yrs | B.COM/M.COM. With Experience. | 11,550/- per month |

Application with bio-data & testimonials should reach the nearest branch office or Head Office on or before 14th May, 2019 during working hour.
N.B. : For the post of Field Officer, candidates from Imphal & Bishnupur district are preferable.
Date of Interview
17th May, 2019
Sd/-
Chief Human Resource Officer
Mobile: 7005324237 / 7005681045
HL-P/6186/7,9,11